ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, এপ্রিল ১৬, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ০২১শুবা মশীং

# কৌব্রু লাইফম্লেন

## পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই

মীতৈশিংনা য়াম্না লুনা লৌনরিবা লাইশিংগী মনুঙদা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরি হায়বদি থাংজিং, মার্জিং, কৌব্রু অমসুং ৱাংব্রেন খানা চাউবা য়াওরি। মালেম খুন্থোকপগী ৱারী লীখুনদা মীওইবনা খ্বাইদগী হান্না খুন্দাখিবা মফম অসি অৱাং কৌব্রু অসিদগীনি হায়নসু লৌনরি। লাই হরাওবগী থৌরম খুদিংমক্তা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরিদা লৈ মনা অমত্তসু কৎনরিবনি। কৌব্রু লাইফমলেন অসিদা মীওই কয়ানা চহী খুদিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা চৎনরি। লাইফমলেন অসিখক্তা নত্তনা মীতৈশিংনা নীংনরিবা লাই অয়াম্বা চীঙথক্তা লৈ। অসিগুম্বা চীঙশাং পরেং অসিদা চহী খুদিংগী মীওই কয়ামরুম কাদুনা লাই খুরুম্নে। খ্বাইদগী মরুওইনা কৌব্রু লাইফমলেন অসিদা শুরুং অমা লৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনসু কৌব্রু লাইফম্লেন, লাই পুখ্রি অমসুং ইবুধৌ থাংজিং লৈরিবা মফমশিংবু মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্টস এক্ট ১৯৭৬ কী সেক্সন ৪গী সব-সেক্সন (১)গী মখাদা প্রোটেক্টেদ এরিয়ানি হায়না লাউথোক্লনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ২৬তা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা কৌব্রু লাইফম্লেন, লাই পুখ্রি অমসুং ইবুধৌ থাংজিং লৈরিবা মফমশিংবু প্রোটেক্টেদ সাইটনি হায়না লাউথোক্কদৌরিবা অসিদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি নোটিফিকেসন অসি থোকখিবা নুমীৎতগী পারগা থা ২গী মনুংদা মখোয়গী ওবজেক্সন অদু ফাইল তৌরক্লবসু খঙহনখিবনি।

কৌব্রু লাইফমলেন, লাই পুখ্রি লৈরিবা মফমশিং অসি প্রোটেক্টেদ সাইট ওইনা লাউথোক্লনবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অইবা ওইনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পীশিনখিবা অদুগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবৈঙেদা কৌব্রু চীংদা সর্ভে তৌবগী থবক চথুবা য়ারোই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ মাউন্ট কৌব্রুনা কৌব্রু চীং কাবগী লম্বী খূদিংমক থিংজিন্দুনা কনাগুম্বা অমত্তা চঙহন্দনা থম্লকখিবনি। এপ্রিল ১৩দা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা কৌব্রু চীং কাননবা হোৎনরুবদা ভিলেজ চীফশিং, সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং, নুপীশিং, নহাশিং অমদি কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ মাউন্ট কৌব্রুগী থৌমীশিংনা থিংদুনা কাহনখিদবনি। মসিগী মতুংদা নুমীৎ অসিমক্কী অহিং নোংয়াইদা কৌব্রু চীং কাবগী চীংখোংদা লৈবা অনীশুবা আর সী সী ব্রিজ অমা শকখঙদবশিংনা থুগায়রম্বদগী মী অমদি গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনখিদ্রে। মসিগীসু মথক্তা ঙরাং নুমীদাং অমুক শকখঙদবশিংনা কৌব্রু লৈখাদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙগী শরুক খরা মৈ থারম্লে। লোয়ননা লাইশঙ অসিবু পান্নরিবা মীওইনা লৈরিবা য়ুমগী পোৎ-চৈ খরসু মৈ থারম্লে। থৌওং অসিমক পুন্নমক্না নুংঙাইনদবা হায়বদু ওইরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১) "ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পূন্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোল্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?" পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) হিজম অঙাংহল সিংহগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে?

৪) "হে তসলিমা:/নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোল্লক্তবা ওইয়ুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফূকপা মখৈ থনুংদা।।" শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো?

৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) *অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)*

২) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

৩) ত্রোংবম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪)

৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২)

৫) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৫গী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ১৫গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫গী পাউখুম

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

*:- ৱারীমচা; আর কে এলাংবম (এলাংবম রজনিকান্ত)।*

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

***:- মাইকেল মধুসুদন দত্তনা ইবনি; শ্রীলৌরেম্বম ইবোয়াইমা সিংহনা হন্দোকপনি।***

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

*:- হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও সিংহ।*

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

*:- চেংলৈরোন।*

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

***:- থাংজম ইবোপিশক সিংহ; "মায়া দেশ" হায়বা শৈরেং লাইরিক্তুগী ৱাহৈদোক্তগীনি।***

# ম্যান্মারগী ঈরাংদগী মণিপুরদা চেনশিল্লকপদা মীৎয়েং অমা

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মীওইবগী মীনুংশিগী ওইবা মওংদা য়েংলুরবদি ম্যান্মারদগী মণিপুরদা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং অদু চঙজফম পীবিবা য়াবনি। অদুবু হেক লৈখিবদা মরমদমদা হল্লু য়ারোইদবা অদুনি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়নবা পাউরৌ অমসু কাউঙমদনা লৈরি। অদুদগীদি য়ূমদাংবনা কৈনাবা হায়নবা অমসু লৈরি। ইন্দিয়ারোম থংবা সোমদনা হিংবদা ৱাবা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা অকনবা চৈরাক কয়া লৈতে। অদুগা অসোমথংবা ম্যান্মারদনা অকিবা, অকনবা চৈরাক কয়া ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা লৈরি। মফমদুগী মীয়াম্না অৱা-মৈশা কয়া মায়োক্লরি। য়ূমথংনবা লৈবাক অনী অসিগী লৈঙাকলোন অনী অসিদা খেন্নবা কয়াদি ময়েক শেংনা লৈ হায়বা মালেমগী মীয়াম্না উবা ফংই।

ঙসিদি মণিপুরগা হেক য়ূমথংননা লৈরিবা ম্যান্মারদা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লৈত্রে। মীয়াম্না মীখলদা অপাম্বা মীরেপ্তা ভোট থাদদুনা অপাম্বা মীহুৎ খনখিবা অদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। অদুগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎ অদুগী মপাঙ্গল লৈহন্দ্রে। মখোয়বু লৈঙাকপা ঙমহন্দ্রে। ম্যান্মারগী লৈজরিবা কন্সটিট্যুসন অদু চৎনহন্দনা থমখিবনা মীখলদা মায় পাক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুনা লৈঙাকপা য়াহন্দ্রে। লৈবাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্নদি লৈঙাকপা হায়বসি মীখলদগী কারকপা মীহুৎশিং অদুনা তৌগদবনি হায়দুনা লৈরিবনি। মীখল তৌগদবনি, অপাম্বা মীওইনা মীরেপ ওইবগী অয়াবা পীরি। মসি নত্তবা হায়বদি মীখল তৌদনা লৈঙাকপা য়াবগী অয়াবা লৈত্রি। অদুবু লান্মীনা লৈঙাক্কী চূপ্লি পায়খ্রে। লান্মীনা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌ পুদুনা লৈঙাকখ্রে। লান্মীনা মিনিষ্টরশিং ওইরে। মীখলদা কারক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুদা ফমশিংদু পায়হন্দ্রে। লান্মীনা প্রাইম মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং ওইবা য়াই, লৈঙাকপা য়াই হায়বা য়াওদবা কন্সটিট্যুসন অদু চৎনহন্দনা থমখ্রে। অমরোমদা লান্মীদা কন্সটিট্যুসনবু চৎনহন্দনা থমখিনবগী নৎত্রগা শেমদোকপগী মপাঙ্গলসু লৈবা নত্তে। লৈতবা পূন্নমক লৈহনখ্রে, য়াদবা পূন্নমক য়াহনখ্রে। লান্মীনা ঙমদবা অমত্তা লৈখিদ্রে। মীয়ামগী মীহুৎ পূন্নমক অরানবা থবক তৌই হায়বগী মরালদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। ৱায়েলশঙ মথৌ তৌহন্দনা থল্লি। মীখল তৌবা ইলেক্সন কম্মিসন মথৌ তৌহন্দে। মীখল মওং মরীল নাইনা পাঙথোকখিদে হায়রদুনা মদুদা মায় পাক্লক্লবা মীহুৎশিং অদু মথৌ তৌহন্দ্রে। লান্মীনবু মীখল অদু চুম্মী-লাল্লি হায়নবগী পাঙ্গল লৈজব্রা? হায়ফমসু থোকপা নত্তে। মখোয়গী মথৌ য়াম্না তোঙান্না লৈরি। হৌজিক য়েংবা য়ারিবদি মখোয় লান্মী ওইনা মথৌ তৌরিবরা নৎত্রগা লৈঙাকপা অমা ওইনা মিনিষ্টর ওইদুনা মথৌ তৌরিবরা হায়বসিনি। মীওই অমনা মথৌ অনী তৌবদি য়াবরা হায়বা ৱাহং অমদি থোকহল্লকই। শম্না হায়রবদা করম্বা শিনফমগীনো হৌজিক ফংলিবা তোলোপ অদু হায়না হংলুবদা হংলুবা মী অদুগী ফীভম অফবা ওইগদবা মান্দে হায়নীংই। লৈঙাক্না মশক খঙবা শিনফম অনী ইফোং-ফোংনা মীওই অমনা তৌবা য়াবা নত্তে। লৈঙাকপগী থবক্তু তোকপা তারবদি লান্মীগী শিনফমদা অমুক হঞ্জিনবা তারিবরা?

ম্যান্মার মচা ময়াম অমা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা মণিপুরদা চেনশিল্লক্লিবসি য়াম্না লূম্না সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না লৌই হায়বসিমদি শেংলে মরমদি চেনশিল্লকপশিং অদু মরমদমদা অমুক নমদুনা হলহনখি। মদুদা ম্যান্মারগী লান্মীগী লৈঙাক্না মীরমদা চেনশিল্লুবগী অকনবা চৈরাক পীখিবা লৈবজাৎলা? মদুগী পাউদি তাবা লৈতে। পীরম্বসু য়াই, পীরমদবসু য়াই খঙবা ঙমদবদগী। করিগুম্বা অকনবা চৈরাক পীরম্বা তারবদি মদুগী ঈ-পাউ খরদি মণিপুরদসু শোয়দনা তাবা ফংগনি হায়না খল্লি। হৌজিক্তি মালেম অসিদা ঈ-পাউ তাবগী চাংসি য়াম্না ৱাংলে হায়বদি য়াম্না লায়না তাবা ঙম্লে। অমরোমদা মীয়াম্না লান্মী লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ হৌবদি ম্যান্মারগী মরু ওইবা ময়োল লমদনি। মণিপুরগা তায়নরিবা ময়োল লমগা থাপ্নরবা মফমশিংদদি থোয়না কনবা ঈহৌ হৌবগী পাউ লৈত্রি। অদুবু লাঞ্জেনরকপদি হৌরে। মীশিং য়াম্বা য়ামদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। লান্মীগী লৈঙাক অমদি মখোয়গী অকনবা চৈরাক অসিবুদি মখোয়গী মীয়াম্না অকিবা ফাওবা মশানা তাবনি। অকনবা ঈরাং থোক্তুনা লমখৈ লান্থোক্লগা মীরমদা চেনশিল্লকপসিগী করি মরম লৈরবজাৎনো? চেনশিল্লক্লিবা মীওইশিং অদু ঈহৌ হৌনবগী/হৌরুবগী মরাল লৈরে হায়না খঞ্জরদুনা হিংনবা চেল্লকপজাৎলা? ৱাহংশিং অসি হংদবা য়াদবা হায়বদু ওইরে। কনানা খঙবা ঙমগনি লমদম অসিদা খুন্দাবা পাম্বা মীওই য়াওরম্বসু য়ারিবনি। মরমদমদা হিংবা ৱাবদগী খরা শাফগনি হায়না খঞ্জবা মফমদা চেনশিল্লকপগী মওংলা? ম্যান্মারগা মণিপুরগা অনীগী বাউন্দরি/বোর্দরসি মফম কয়াদা ফাউদোক-ফাউজিন য়াবা মফম কয়া লৈরি। বাউন্দরি য়াম্না নক্না নাকল অনীমক্কী মীওইশিং খুন্দারি। অমনা অমগী মতেং য়াম্না মথৌ তারি। অমরোমদা নাকল অনীদা খুন্দারিবা মীওইশিং অসিদা ফুরুপ মান্নবা কয়া য়াওরি। চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচা, চৎনবী, লোল মান্নবা ফুরুপ লৈরি। লমদম অসোমদগী মীওই খরা ৱাংমা লান্না চঙখিবা মতমদদি ম্যান্মারগী মীওই নত্তে হায়বা য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি। মসিগী মরমদি ম্যান্মারগী লোল ঙাঙদবা য়াদে। শকফম অমদি ফিজেৎ মান্নরবসু লায়না খঙবা ঙমখিগনি। অদুবু মখোয়রোমদগী লমদমসিদা চঙশিল্লক্লবদি কনানা কনানো হায়না মশক খঙদোকপা শুকঙম ঙম্লোই। মীতৈলোল ঙাঙবা ঙমদে হায়রুবা য়াবা নৎত্রে। মরমদি মণিপুরগী চীংমী কয়া মীতৈলোল ঙাঙবা ঙমদবা কয়া য়াওরি। ঙাঙবা ঙম্লবসু ঙাঙবা ঙমদে হায়বগী মওংদা ঙাঙদবা মীওই কয়া লৈরি। অদুনা লমদম অসিদা চঙশিল্লকপা য়াম্না লায়না থোকই। মসিদসু নত্তে ইন্দিয়াদদি দেমোক্রেসি চৎপনিনা অকনবা, অৱাবা চৈরাক পীবগী চৎনবী কয়া লৈতে। মীওইবগী রাইট, অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা য়াহল্লি।

লল্লোন-ইতিক য়াম্না তৌনবনিনা মায়কৈ অনীদা খঙন-চান্নবা অদুমক লৈনবা মশানা তাবনি। অমরোমদা মরী-মতা থোক্লবা কয়াসু য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মদুগুম্বা ফীভম কয়াদুনা মায়কৈ অসোমদগী পাউতাক পীরম্বসু য়াদবা নত্তে। চেনশিল্লকপা মীওইশিংদু মরমদা অমুক নমদুনা হলহনখিবদা অদুমক য়ারগা হনখিবদুনা তাকপদি য়াম্না শাথিবা ফীভমদি মায়োক্লবা লৈত্রি হায়না লৌবা তাবনি। অমরোমদা রোহিংয়াগী থৌদোক্তুদা চেল্লকপশিংদি মরমদা হল্লু হায়বা শুকয়া য়াদে করিনা ফীভমদু য়াম্না শাথীবনিনা। মণিপুরগী লৈঙাকসু ঈরাং কল্লি/কন্দে হায়বা উরিবনি। মীতোপ্তি য়ারিবমখৈ চঙহন্দবনা ফরবনি। ●

# শেল তানফমদি লৈরক্তে, পোৎকী মমল হেঙ্গৎলকপদি লেপ্তে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইরৈবাক-ইরমদমসিদা নোংম-নোংমগী শেল তান্নবগী লম্বীশিংদি অসুক্কী মতিক তাঙশিল্লকই অদুগা পোৎ-চৈশিংগী মমলনা অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলকই। লমদমসিদা তঙাইফদনা মীওইবনা নোংমগী মনুংদা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিংগী মমল চাংদম্নীংঙাই লৈতনা হেঙ্গৎলক্লি। চান-থক্লবগী আইটেমশিং, শেৎ-চানবা ফি-রোলশিং, থাউগী মমল, অকে-অমৌগী পোৎ-চৈশিং, মহৈ-মশীন তম্বদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং, পুঙশম হেক শম্না হায়রবদা, নোংমগী মনুংদা মীওই অমনা অয়ূক ঙন্তা হৌগৎলকপদগী নুমিদাংগী তূম্বা ফাওবদা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল লমদমসিদা হেঙ্গৎলক্তবা অমত্তা য়াওশিল্লক্ত্রে। হেঙ্গৎলকপগী মওংসু খজিক-খরাক্তদা নত্তে, দবল-দবলনি। নাকল অমরোমদনা, - কোরোনানি হায়, অমনি হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী হায়বা জাৎতু মখৈগী পোৎ-চৈশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপগী মতুংইন্না থাগী খূৎশুমলদা হাপফম থোকপা দিয়ারনেস এল্লাওৱেন্সকী শেনফমশিং, এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমলদা শুকহাপ হাপ্লক্তনা থিংদুনা লাক্লিবসি মতম কুইরক্লে। ৱাফমসিগীসু ৱাথোক ওইনরকপা ফাওবা য়ারিবনি। পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী ৱাফম পন্নরকপদা, লৈঙাক্না লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংদা পোৎ-চৈশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপগী মতুংইন্না থাগী খূৎশুমলদা হাপফম থোকপা এল্লাওৱেন্স হাপ্তুবগী ৱাফম পুশিল্লক্লিবসিসু মরী লৈনদবা নত্তে। পূন্নমক চ্যেন পোলিসিনি, মরী লোইনা লৈনফম থোকই। লৈঙাক্না লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংদা পীরিবা খূৎশুমলশিংদগী অচৌবা পার্সেন্টেজ অমদি লৈবাকসিগী মার্কেটশিংদা লাক্লিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না, লৈঙাক্না খূৎশুমল পীরিবা এমপ্লোয়ীশিংদগী কোরোনা লাইচৎকা মরী লৈননা চঙশিল্লিবা লৈঙাক্কী খোঙজংসিদা তেংবাঙবা ওইনা নোংমগী খূৎশুমল কথোক্লবা এমপ্লোয়ীশিংদা খঙহল্লকপগী থৌদৌ লৈখ্রে। এমপ্লোয়ীশিংনসু অয়াম্বনা মশানা য়ানা মশাগী থাগী খূৎশুমলদগী কোরোনা লায়না মায়োক্লনবগীদমক, নোংমগী খূৎশুমল কথোক্তুনা ককহনখি। সিদা নত্তনা ইনকম টেক্সনচিংবা খূৎশুমলদগী ককহৌগদবা আইটেমশিং খুদিংমকসু এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমলশিংদগী অমত্তা চিথদনা ককহল্লক্লি। অদুম ওইনমক, ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম মতমগী ওইনা পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমলদা হাপ্পীফম থোকপা দিয়ারনেস এল্লাওৱেন্সতি কুমজা ২০২১গী জুলাই থাদা পূন্না হাপ্পীগনি হায়দুনা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবসি হাপ্লকত্রিবনি। হন্দকসু অমুক হন্না কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ লাকশিল্লক্লবনিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না করি হায়রক্কদৌরিগে হায়বসি তম্বা ঙমদ্রি। অসুম্না, লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী হাপফম থোকপা দি এ হাপ্লক্তনা হৌজিক ফাওবা নোংম-নোংমগী পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী অৱা চৈথেংশিংসি মায়োক্লহল্লি। মতাংসিদা হায়নীংলিবসি, -"পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী মতুংইন্না, থাগী খূৎশুমলদা হাপফম থোকপা দি এ হাপত্রিবৈঙেদা, পোৎ-চৈশিং তাঙখৎলকপগী চাংনা কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবসি চানবা ৱাৎপা থৌদৌনি, ফীভমসিদা খূৎশুমলনা ইমুং-মনুং থাকচবা এমপ্লোয়ীশিংদদি হান্না পুক থল্লম্বদগী থল্লক্তবা য়াবগী ফীভমশিং ফাওবা য়াওনরকপা য়াই" হায়বা ৱাফমসিনি। লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা থা-থাগী ওইনা, হান্না লৈনরম্বা পোৎ-চৈশিংগী চাং য়ৌদনা লৈনরকপা হায়বসিসু মার্কেটকী ফীভমদদি মশানা অহোংবশিং খরদি লাকফম থোকপনি। থৌদৌসি চ্যেন পোলিসি ওইবগীনি। ফরে, দি এ হাপ্পীদবগী ৱাফমসি তোক্লসি, কোরোনাগুম্বা অচৌবা লায়না-লাইচৎ অমা লৈবাকসিদা মায়োক্লবননিসু হায়রসি, তৌইগুম্বসুং লুরিবদি, তাঞ্জাসিদা পোৎ-চৈশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপগী থবকসি করিগী পঙয়াদা য়াহল্লিবনো হায়বসিনি।

লমদমসিদা পোৎ-চৈশিংগী মমল, অয়োনবশিংনা হেঙ্গৎনীংবা মমলদা হেঙ্গৎপদা লৈঙাক্না অথিংবা অমত্তা খক পীদ্রিবসি করিগীনো? মসিমসু ঙক্লিংঙাইনি। হৌজিক হৌজিক্তা মার্কেটতা পোৎ-চৈশিংগী মমল হান্নদগী দবল-দবলদা হেঙ্গৎলক্লি। ফীভমসিদদি কোরোনা মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়বদু লৈতবরা? কোরোনাগীদমক হোৎনবদা লৈবাক-মীয়ামসি ৱানরিবনি। মতমসিদা, লৈবাকসিদা তঙাইফদনা হিংনবা হোৎনবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙশিংগী মমল হেঙ্গৎলকপদা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসিসু তৌফম থোক্তবা অমা শোয়দনা ওইরমগনি।

লৈবাকসিদা, নোংম-নোংমগী ওইরক্লিবা মীচম-মীয়ামগী পুন্সিসি অসুক্কী মতিক কিনীংঙাইনি। ইরমদম মণিপুরসিদা হিংনরিবা মওংসি, শুফম-চাফম খঙদবগী অচৌবা ৱাথোক অমগী লাল্লক্তনি। শুজনীংবা কয়ানা শুফম খঙদবগী নুংনাংলিঙৈদা মপুন্সি লোম্নখ্রি। শুজরগা হিংজগে খঞ্জবা মীওই কয়ামুকপুনা লমদমসিদা শুফম-চাফম খঙদবদগী নমদুনা চাকতোন-পিদোল্লবা মীশকশিং হায়বদু ওইহল্লি। মণিপুরদা অচং-অচংবা শুবা য়াবা অচৌবা শীনশঙ অমত্তসু লৈতে। অতৈ মপানগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদা লীংখৎনরিবা কল-কারখানাশিংগুম, ইরমদমসিদদি শেঞ্জাও পায়বশিংসিনা অমত্তসু লিংখৎপীদে। লন্নাইগী ওইজরবা ফাওবদা, শুফম অমা ফংবা হায়বসি হিংনবগীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউরবা লম্বী অমা ফংবগুম্বনি। ফীভমশিংসি লমদমসিদদি খক থোক্তে। 'সুম্না, হিংনবগীদমক খনবদা চোকথরবা লমদমসিদা, হিংনবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা পোৎচঙ খুদিংমক্কী মমলসু অমুক্না, অসুক্কী মতিক চাংদম্নীংঙাই লৈতবা মওংদা, অতিয়া পক্না ৱাংহনবীরি। সিরা সনা লৈবাক কৌনরিবসি, সনা লৈবাকমক্তি হায়নরিবা ষ্টেটসিগী শক্তম্বু মসিরা? লমদমসিদা ফংলিবা পোৎ-চৈশিং খুদিংমক্কী মমলসিবু কনানা লেপ্পগে, কনানা অয়াবা পীদুনা অসুক ৱাংনা লেপ্লিবনো? মতম অমদা মীরমদমদা খক্তমক ঙাঙনবা তারম্বা, তঙাইফদনা হিংবদা চঙবা পোৎশকশিং, "রোটি কপড়া ঔর মকান" চানবগীদমক তল, শেৎনবগীদমক ফি, লৈনবগীদমক য়ূম, হায়বদু ঙসিদি ইরমদম মণিপুরসিদা নৌহৌননা ঙাঙনবগী মথৌ তাশিল্লক্লে। লমদমসিদা লমদমসিগী মীয়াম খুদিংমক হিংনবগীদমক থবক কনানা পীগদৌরিগে? পুন্সি হায়বসিদি থবকনি, শুফম লৈতনা করম্না থবক শুগনি? থবক য়াওদনা করম্না পুন্সি ওইহনগদৌরি? ৱাহংশিংসিগী পাউখুমশিং খন্নহৌবা ফৈ লমদমসিগী লুচিংবশিংনা। ঙসিগী লমদমসিগী লুচিংবশিং অরেম্বদা ইশা ইথন-ইথন্তা খক্তগী ৱাংলবা য়ূমশিং শানবা, মমল য়াম্লবা প্লোট কয়া-কয়া ইশাগী মিংদা লৈশিন্নবা, লমদমসিগী মীয়াম্না মখোয়বু লমদমসিগী লুচিংবশিং ওইনা খল্লকখিবা নত্তে। ৱাফমসি কাউহন্নীংদে। লুচিংবদমক ওইনীংবা, লুচিংগনিদি খঙদবা, লুচিংবা শারম্বা কয়ানা মশাগী মংফম, মীয়ামগী খূবাক ময়ায়দা লৈ হায়বসি খঙনখিদে। থৌদৌসি ঐখোয়গী লুচিংবশিংদি ঙন্তানা খঙহন্নীংই। লুচিংবশিংনা অশেংবা লুচিংবা ওইনবগীদমক চৎকদবা ত্রেনিংদি মীরক্তনি, মীয়ামগা লোয়ননা চৎমীন্নবা ঙম্লবতদা অশেংবা লুচিংবা ওইরক্কনি হায়বসিসু ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা মতম পূন্নমক্তা কাউহঞ্জনীংদে।

শারবা কালেনগী নুংশাসু ওল্লাংথানা লোইখিবদা মদোম ঈংথজখি। কনানা কনাবু কিবা ফাওনদ্রিবা, ইশা ইথন্তনা লেপচবা ৱারেপ্না অচুম্বনি লৌজরিবা, লমদমসিগী লমহেন-তুহেনবা কয়ামুক্না খন্নরগা য়ানদুনা লেপ্না, ইরমদমসিগী অতিয়া পক্না ৱাংলবা পোৎ-চৈশিংগী মমলসি নুমিৎকী মঙালনা য়ৈবদা অয়ূক্কী লিক্লানা তুমখিবগুম, ইরমদমসিগী অচুম্বা পামজবা লুচিংবা কনাগী মীৎয়েংদা শোয়দনা তুমখিবা ওইসনু। পোৎ-চৈশিংগী মমল চান্নবা মমলশিংদগী খক হেনহন্দবা, অনৌবা ইরমদম, অনৌবা মণিপুর অমা শেম্বদা ঐখোয় পূন্নমক্না তেকচাক পুমিন্নরসি। ঐখোয় খুদিংমক্না ইশাগী থৌদাংশিং ইশা-ইশানা চপ চানা লৌমিন্নদুনা ইরমদমসিবু মীনা ঙাঙনবদা য়াওবা, মতিক চাবা, অচুম্বা খক্তমক চৎপা লুচিংবশিংনা লুচিংবীবা, অরান-অহুই অমত্তা লৈহন্দবা ষ্টেট অমা হায়বদু অমুক্তং ওইহনমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।